HUEIYEN LANPAO



"মী শিবা খুদিংমক মী হাৎপগী থবক ওইদে। চুম্না ফনবা তৌবদগী শোয়খিবা কয়া মীহাৎপগী থৌদৌগী মনুং চন্দে।"

- হিজম গুন (পমন)

## দুর্গা পুজা

**—অথোকপম তোম্বা**

লাক্লেদো মেরা থা
ঈংনা থোৎনা ফজবা
থাবলগী ইপোম মরক্তা
হুল্লক্লি খোংদোই ইমা দুর্গা!

কুমজা খুদিং লাৎচবা
থৌগল মতোল লোম্নবা
নচা ননাই ওইবা ঐখোয়না
থৌনা পাঙ্গল নিজবা!

অথোইবী ইমা হে দুর্গা
মতিক লৈবী শা-লানগী মবেন্মা
ময়া পুবি ইমানি নঙদি
খুরুমজৈ নঙবু নচা ননাইনা!

শক্নরি শোন্নরি ইমাগী গুন
দেব ঋষি কয়া কয়ানা
নোংশানা শাদোং ওইবী ইমানি
পীবিয়ু নচাশিংদা নতিক নয়াইবু
হাপপীয়ু থৌনা ইনোৎ শোল্লবা থম্মোয়দা!

দেবতালক্তগী অথোইবী ইমানি
শিবা মহাদেবগী চান্নথোইবীনি
ইমাগী কল থৌরবা গুনতবু
শিবা মহাক ফাও কিরিবীনি
হে ইমা থৌজাল হৈবী ইমা দুর্গা।

অতোনববু থৌজাল মীৎয়েংনা
ফত্তববু লানবিবা শক্তি লৈবীনি
পাম্বোম তরানা লৈতেংবীনি
কালিগী শায়োন পুবী ইমানি
তোল্ল-তারবা জীবশিংগী মরুপনি।

হৈরাং য়েংই ৱাৎতেদো
লৈরাং য়েংই নোপতেদো
লোইদাম মকুম খুদিংদা
কুমজা লাইয়েন তারকপা
কচ্চরি হৈরাং লৈরাং খুয়াগী থম্বালদা।

ইমাগী মতিক মগুনদি
করম্না শিংথাবা ঙমগনি
চক চক খুদিংদা
মপোক লাংওন খুদিং থৌগল ফংজগে।

## নুংশিবী মেরা থা

**—ঙাংবম ইবেতোম্বী**

লাক্লবরা মেরা থা মেরা থা
তাইবঙ থম্মোয় নুংওন থা
লৈরাং সনারৈ কৌবীনা
মোমোন মোমোন নোক্তুনা
নঙবু লাকপা ঙাইজরি।

নিলহল্লরো কংলৈ পুংসে
লাইনীং লাইশোন কয়াগী
নুংশি শৈহেক শৈরোলনা
তাইবঙ থম্মোয় খুদিংমক
নুংশি লিপুন্না পুনবীরম্মু।

ওকচরমগে নহাকপু
থাওমৈ পরেং পরেংনা
লিক্লাং পরেং লেংবগুম।

নীংশিংলক্লে নৌহৌননা
পোইরৈ তান্না লৈখ্রবা
চীংগী ইচিন-ইনাওশিংদো
চীংগী ইঙাই নুংশিবীদো
নুংশি খুদোল তম্নদুনা
মেরা হৌবু চোঙমিন্নখিবা
ঙাইজরিনে ঙসিসু
মেরা থাউমৈ থানদুনা।

চীংবুরোইনা নমদা পো
তম্বুরোইনা থাদা পম
শন্নাং ইফা ফারদুনা
মিৎলু পিরাং ঈহৌননা
লেপ্লীবী পলেম ইমাগী মাঙদা
চীংমী তম্মী অনীনা
খূৎশম্নন্না লেপ্লরসি
ইমাগী অৱাবা কোকহল্লুসি।

## ঈথক ঈরৈ

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

ঙরাংতনি ঙাল্লিবা মঙাল অসে
অমম্বা মরকশিং অসিদা
কুইনা তূমদুনা লৈরবগুম
মঙলান ফাওবা মঙদনা।

মঙাল অসিনা পীরকপা
মৈরিক মচা মচানা
মীৎকপ থোক্লে ঙসিদি
উরমদবা কয়া উরে
মতমনা পুরকপা অওনবা অসিনা।

অঙকপা নত্তে থোক্লিবা
থৌদোক ৱাথোক পূন্নমক
অনৌবা ঙসিগী পৃথিবী অসিগী
ঈচেল অসিদা য়াওরকপনি।

লমদম অসি মতম অদুগী লমদমদুনি
হোংল্লক্লিবা ঈচেলদি
অরিবা অদো নত্তে,
অনৌবা ঈচেল অসিদা
তিল্লরিবশিং অসে অনৌবা নত্তে
মঙাল অদুনা পীরবা
মতমনা পুরকপা অওনবনি।

## হংলাই

**—অরিবম দাইনা**

উরমদ্রবা ইমিৎ 'সিনা
খঙলমলোই ফজবা করিনো!
পাল্লমদ্রবা ইচিন অসে,
লৈরমলোই থম্মোয়গী পাউদমফম!
পংলন্নবা ঐগী ইনাসিনা,
তারল্লোই খোঞ্জেল কয়া অমা!
য়াওরমদ্রবা ঐগী ইখোঙ অনী
তাংজফমতবু থিরমনি।
য়াওরমদ্রবা ঐগী ইখূৎ অনী,
লৈরল্লোই পাঙ্গল উৎথোক্লবা!
খল্লমদ্রবা ঐগী থোপ 'সিনা
ওইরমনি হকচাং য়াওদ্রবা মমি
থৱায় য়াওদ্রবা হংলাই!
থৱায় য়াওদ্রবা হংলাই!

## হে মীওইবা

**—বীসুলাল**

অঙকপনি নঙসে
হে মীওইবা
শাউবসু হৈতনা
শাউবসু শারিবা
নুংঙাইবসু য়ারবদা
নুংঙাইতবসু শারিবা
লায়রবনা খমথেংলবদা
ইনাকখুনবসু শারিবা
ঐহাক্তনা মহেল্লে
মহাক্কীদি খল্লুনু
খল্লিদো নহাক্লা
হে মীওইবা
অদুম্নদি খনফদে
হে মীওইবা
ঐসু মীওইবনি
নহাকসু মীওইবনি
মহাক্কীসু খনসি
ঐখোয়বুসু শাউদনবা
ঐহাক্কীসু খনসি
মহাক্লসু য়াননবা
হিংমিন্নসি ঐখোয়
কনা অমত্তগীসু কায়দনবা
ইশাবুসু নুংশিসি
ইপাবুসু কাউথোক্লুমসি
তাকপীরকপনি মখোয়না
অচুম্বনা করিনো
তম্বীরকপনি মখোয়না
অরানবদি তৌফদে
কাউফদে মখোয়বু
লৈরিমখৈ সংসারসিনা
হে মীওইবা
হে মীওইবা।

## লৈবাক্লে

**—জেমস কুমার**

মীংথোল হৈবী ইপা-ইপূশিংনা
থোনবীরম্মী নহাকপু লৈবাক্লে।
মীংথোল শাহৌ মান্নজবী।
লৈরাং লক্তা চনবিরম্মী।
তেল্লবা পুন্সিনি নহাক্কী
মমা-মচা শকখঙনদবা
মমা শিরগা মচা পোকপা
পাউখোংনরি তাইবঙনা ঙসিসু।
করিগী শকখঙনদবনো
নমা-নচা অনীবু
মপূ মাগী অভিশাপ্পু লৈবরা।
খংনৌ উনৌ তম্বীরমদববো।
শিন্থা করিনো নহাক্কী
তাইবঙ ফাওরকপবো নহাক্লা
কল্লবা নুংশিবগী মৈশাদা
নদোম তরক ফাওরকপবো।
কনবিবা কনা লৈতে
খঙদবরা নহাকপো
নুংশাগী মৈশা খাংঙমদা
তেল্লবা পুন্সি ওইরিবা।
খঙলে লৈরাং-ও শকহেনবী।
তাইবঙপান মীওইপোক্কী।
পুন্সিনা চাংদম্নরুচো থারকপনি।
তাইবঙ মপূনা নহাকপু।
তাক্লুচো তম্বীরু মীওইপোকশিংদা
লৈরাংগী পুন্সিগা পাংখক্লি।
কনা য়াওদা লাকপনি
কনা য়াওদা হনখিগনি।

## শাশিন্নবা

**—এম নিলাকুমারি**

শাশিন্নবা কয়া থেংনরুবদগী
মাঙখ্রে অচুম্বা:
থিবদা ৱারবা অচুম্বনি।
পান্দেগী শাশিন্নবা লৈঙাক্কী শাশিন্নবা
অচুম্বনি খল্লদুনা মহৈ লোইশঙনা কমদৌবা;
অচুম্বনি খল্লুদুনা মহৈরোয় কয়া
অৱা চৈথেংনরিবা!
মিৎলুগী কায়না পিরাংসু শাশিন্নরবরা।
থম্মোয়গী ইহুল ফাওরকপরা
শাশিন্নদবা অমত্তংদি লৈরমলোইদ্রনে?
য়াওহন্দ্রে ওক্টোবর অনী বাপুজীগী
লূব-নানবা য়াওহন্দ্রে
জন নেতাগী সেপ্টেম্বর কুন্থ্রা
শাশিন্নবনা মকুনি মপানগী কুয়োমনি
অশেংবা খঙবা অদুনা নোক্লি
তুমিন তুমিন হায়দনা, খঙহন্দনা
শাশিন্নবা চান্মা চান্মা ওইরবসু
ওইদবা তৌরিবা মহাক্তংদি খঙলমগনি
অশেংবা অচুম্বা অরানবা
পূন্নমক্কী মপূনি
মপূদগী পোৎপু কনানা মুনগনি
মপূনা মপূনি হুরানবনা হুরানবনি
অমখক্তংনি খঙগদবা।


# উমরাও জান অদা

## (লাইবক্লা নাথৈখ্রবী, লৈমা শীজসু ওইহৌদ্রবী অমগী নীংশিং ৱারী)

**উমরাও জান**গী ৱারী খঙদবা কনাসু লৈরম্মরোই খল্লি। মরমদি ফিল্ম ওইনা কয়ারক ভারত শীন-থুংনা উৎখ্রবনি। অদুবু মসিমদি কনাসু খন্থরল্লোই মদুদি অদুক নুংশিখ্রবা ৱারী অদু মির্জা মুহম্মদ হাদী রুসৱাগী উর্দু নোবেল অমদগী লৌথোকপনি হায়বা। উর্দু লোনগী ক্লাসিক ওইরবা নোবেল অসিবু লোন কয়াদা হন্দোক্তুনা নুংশিনা পানখ্রবনি। ঙসিদি থেঙলবসু থেঙনা ঐখোয়গী লোন্দসু পাব ফংলে। উমরাও জানগী ৱারী অশেংবদু শোয়দনা মহাও তংবা ফংনরনি। মসিমক্তি অইবা এম এম অহম্মদকী চাউরবা খুদোলনি। মাবু থাগৎতবা ঙমদে। উর্দু ৱাহৈনা পিক থল্লবা ইংরাজি লোন্দা হন্দোকপা লাইরিক্তুদগী ঐখোয়গী লোন্দা ৱারসু ৱানা হন্দোক্লোয় অসিনা ঐখোয়বু পাব ফংহনবীবা অসিদি হায়ফম খঙদনা নুংঙাই।

হন্দোকপা হায়বসি লুখ্রবা কলানি। ফজরবসু শীংথানবিদবা, থীরগনা মীচৈ চাব থবক অমনি। হন্দোক্লোয় অমনা তৌগদৌরিবা থবকসি অহুমনি। অহানবা মাগী মথৌসি Receiver of a communication নি হায়রি। হায়বদি "He must understand and be excited by the work he has selected for translation." অদুগা অনীশুবা মথৌনা 'Transplacer' অমগী মথৌনি। হায়বদি He carries a communication from one language and cultural context in another language and cultural context." অহুমশুবা মাগী মথৌনা 'Originator' অমগী মথৌনি। হায়বদি অনৌবা লোন অদুদা মহাক্তি creative writer অমগী মশক লৌগদৌরিবনি। অদুনা হায়রি, "He must know the significance of every inflexion, every grammatical or syntactical turn of expression." কয়াদা লুখ্রবা থবক্লো। অদুক লুখ্রবা থবক তৌরিবা ট্রান্সলেটর অদুবু শীংথানবিবদি লৈতে। ফজরগনা হান্নগী অইবদুনা ফজনা ইরম্বননি হেক্তা হায়, থীরগনা ট্রান্সলেটর অদুনা হৈতদুনা তৌরিবনি হেক্তা হায়। করি হায়রুনি, ১৬শুবা চহীচাদা Plato গী works হন্দোক্লুবা ফ্রেঞ্চ ট্রান্সলেটর Etiene Dolet হায়বদু মনীংতম্বা খরা লৌরুবগীদমক হাত্তোকপীখ্রিবনি। অদুবু ঙসিমক্তি হন্দোকপা হায়বসি নীংতম্বা খরা লৌদনদি ফজবা শুকয়া য়ারোই হায়নরক্লে। J. Hillis Miller নদি হায়, "Translation has the wandering existence in a perpetual exile." হায়বদি হন্দোকপা হায়বসি মপুন্সিচুপ্পগী লোই থাখ্রবা মীগুম্বনি। হান্নগী মফমদুদা কৈদৌনুংদা হল্লক্লরোই। লিও টোলসটোইগী War and Peace শম্না ইথোকপা Ernest J. Simmons নসু হায়, War and Peace must be read only in the original Russian, for artistic values are patently lost in translation, no matter how perfect the rendering may be." ফজখ্রবা ৱানি, হন্দোকপনা ফনা ফজদুনসু হান্নগীদুদি শুকফং ফংলরোই হায়রিবনি। অদুবু হন্দোকপনা মফজরবদি Edward Fitzerland না হন্দোকপা Omar Khayaam গী Rubaiyat শিং মালেমদা ফাওরি। কালিদাসকী 'শকুন্তলা' ভারতকী লোন অমতনা পাব ফংদ্রিঙৈদা ১৭৮৯দা ইংলিস মচা Sir William Jones না সংস্কৃট তম্লগা ইংরাজিদা হন্দোকপদগী মদুবু অমুক জর্মন লোন্দা ১৭৯১দা হন্দোকখিদুনা পারুবদা ঙাওরবা Goethe না শকুন্তলাবু কয়াদা ৱাংনা থাঙ্গৎলকপা পূন্নমক্লা খঙনরবনি। মাগী লোন্দা, "Wouldst thou the blooms of the early, the fruits of the later season?/wouldst thou heaven and earth in a single name comprehended?/Name I, Shakuntala, thee and so is everything said!" মসিদবু হন্দোকপগী মমল লৈতে হায়বদি কনানসু য়াররোই।

ঐনা ৱাফম খরসি কোইথোকচরুবগী মরমসি অইবা এম এম অহম্মদকী 'উমরাও জান অদা' অসি পারুবদা ফাওরকপনি। মির্জা রুসৱা অঙকপা অইবনি। মরাইবক থীরবী নুপী মচা অমগী পুন্সি ৱারী ইবদা চাউরবা সম্রাজ্য অমগী শাংখ্রবা চহীচা অমগী মতমদুগী ভারতবর্ষগী খুন্নাইগী মচৎ, লম্বী-থোং, অনেম-অৱাং, ইনাকখুনবা লাইরবা পূন্নমক্কী মশক উৎপা ঙম্মী, ঐখোয়না মাগী নোবেল অসি পারুবদা ৱাহং অনী চোংথোক্লকই - (১) উমরাও জান তশেংনা লৈরম্ব্রা, অহিংবা লমচৎ অমরা? (২) লাইরিক অসিবু রুসৱাগী কলমদগী শেম্বা লমচৎ অমগী ৱারীদা য়ূম্ফম ওইবা নোবেল্লা? ঐনা খঞ্জে, উমরাও জান হিংলম্বা থোক্লবা মানা রুসৱাগী মতেং লৌরগা মাগী ৱারীসি লীরম্বা থোক্লবা লাইরিকসি মেমোয়র (Memoir) ওইবরোমদা নকশিল্লি। লাইরিক অসিদা রুসৱাগী ৱাহৈ অমতা য়াওদে, মরক মরক্তা ৱাহং খরা, কমপ্লিমেন্ট খরা পীবা নত্তনা। অমরোমদা রুসৱাগী কলমদগী শেমগৎলকপা উমরাও জানগী ৱারী ওইরবদি মপা লৈতনা ফজবা নোবেলশিংগী মনুংদা মসিমসু অদুম য়াওরগনি হায়নীংঙি। রুসৱাগী Style, Technique অদুম unique ওইনা লৈহৌরগনি।




| | | |
|---|---|---|
| মমিং | ঃ | উমরাও জান অদা |
| মখল | ঃ | নোবেল |
| অইবা | ঃ | মির্জা মুহম্মদ হাদী রুসৱা |
| হন্দোক্লোয় | ঃ | এম এম অহমদ |
| ফোঙবা চহী | ঃ | ২০১৮ |
| অফোঙবা | ঃ | রাইটর্স য়ুনিয়ন, মণিপুর |
| পাউদন্নিবা | ঃ | সলাম তোম্বা |

ৱারীদি অসিনি। ফৈজাবাদনা ঔধগী কোনুং ওইনা লৈরিঙৈ ১৯শুবা চহীচাগী ময়াই চল্লকপা, সিফাই লালহৌগী মমাঙদগীনা চহীচা অসিনা লোইরকপফাওবগী ৱারীনি। ফৈজাবাদতগী খজিক লাপথোক্লা লৈবা খুঙ্গং অমদা পোকপী অমীরন কৌবী নুপীমচা অমগী পুন্সি ৱারীদা য়ূম্ফম ওইবা নোবেল অমনি। লৈকায়দুদা লৈবা ফত্তবা নুপা দিলাৱর খান হায়বদুনা ফাবীরগা নুপীমচা অদুবু লখনৌদা য়োন্থোক্লম্বগী ৱারীনি। ৱাহৌনা নুপীমচাদুগী মপাবুংগা দিলাৱর খানগা নুংঙাইনদবদগী মচানুপীদা লমন শিংলিবনি। য়োন্থোক্কদবা নোংমা ৱাৎলিঙৈ অমীরনবু লোৎলিবা কাখু অদুদা রামদৈ কৌবী হিন্দু নুপীমচা অমসু ফাবীরক্তুনা থল্লখি। মখোয় অনী কপমিন্নখি, চুজাক্কী য়াম্না হৌবা তলগং চামিন্নখি। মখোয় অনীগী লাইবক করি ওইরনি খঙদ্রি। অদুবু রামদৈ হায়বী চহী ১২দা ঙাইরিবদুদি লমদুগী নবাবকী মমা বেগম অমনা মীনাই ওইনা লৈবিখ্রে। অদুনা মাগীদি লাইবক ফবা ওইখ্রে। অঙাং ওইরিবা মচা নবাব অদুনা কোন্না লৌবীদুনা বেগম সাহেবা ফাওবা ওইরক্তুনা মচানুপা অমা ফংজখি। অদুগা অমীরন কৌবী মহাক্তি দিলাৱর খান্না জগোয়শাবী, ওক্তবী মকোলগী মেনেজর খানম হায়বীদুদা তন্না য়োন্থোক্লম্বদগী ফিভম্না মহাক জগোয়শাবী, ওক্তবী ওইহনখি। মাগী মমিংসু উমরাও কৌখি। মীয়াম্না 'জান' হায়বা ৱাহৈ হাপচিনখি। মহাক মশানা 'অদা' হায়বা অমগা হাপচিদুনা মাবু মীয়াম্না 'উমরাও জান অদা' হায়না খঙনখ্রে।

মাগী ৱারীদি লোইবা নাইদে। অমম্বগী অমম্বা ঙাক্তনি। অদুবু মানা মমা-মপা, মৌপ্বা অমতং লৈহৌবদু খক কাউদে। মাগী মখুঙ্গং উনীংঙি। মাগী চেগায় লংদুনা শান্নরম্বা মঙ্গে পান্বী মখোঙদু নীংশিংদুনতা লৈ। অদুনা ফজল অলী কৌবা ডাকুগী লুচিংবা অমগী মতেংনা খানমগী কুফা অদুদগী নান্থোক্লকখি। অৱাবা কয়া খাঙলবা মতুংদা কানপুর য়ৌরকখি। মফম অদুদা মাগা বেগম সাহেবা অমগা থেংনখি। মহাক অদু মানদি নোংমা তল চামিন্নখিবী রামদৈ হায়বদুনি খঙজখিদে। বেগম সাহেবা অদুনদি মাবু খঙই। অদুবু হায়দোকপগী তাঞ্জা ফংখিদ্রে। উমরাওবু লখনৌদগী লৌবা অমুক লাকখি। লখনৌ য়ৌরগা মহাক খানমগী শঙদা লৈখিদে, তোঙান্না লৈখি। মমৈথংদা বেগম সাহেবা অদুসু লখনৌদা লাক্তুনা উমরাওগা উনখি। নীংশিংনদুনা কপমিন্নখি। খেন্নরিবা লাইবক অদুগীদমক মতোমতা নিন্দা তৌজখি উমরাওনা। অদুবু হেন্না ফজরিবদি রামদৈনা মপুরোইবা ওইরিবা নবাব অদুদি উমরাওগা লোন্না নুংশিনদুনা মফম অমদা উনখ্রবা, থমোয় থমোয় পীনখ্রবা ওইরমখি। অদুবু ফোংবা য়াদবনা রামদৈগী মমাঙদা খঙনদবা শাদুনা লৈখি। অদুগা অমনা উমরাওবু ফারগা য়োন্থোক্লম্বা দিলাৱর খান মমৈথংদা উমরাওনা থেংনবদগী পুলিস তাক্তুনা, থিদুনা ফারগা ফাঁসি তৌখি। পূন্নমক অসি ওইদুনসু মাগী লাইবক্তি ওক্তবী, জগোয় শাবী হায়বা মিংথোন্দগী নান্থোকপা ঙমখিদে।

অতোপ্পা থমোয় কায়বা মতাং অমনা উমরাওনা লখনৌদগী ফৈজাবাদ অমুক্তং য়ৌনিংদনা চৎখি। মাগী জগোয় ঈশৈনা মীয়াম্বু শুমহৎখি। নোংমদি মাগী ময়ূম ময়াদা মানা চেগায় চোংদুনা শান্নখিবা মঙ্গে মখোঙ অদুদা মাগী জগোয় ঈশৈগী মফম ওইরুরে। মানা মফমদু উবদা মাগী অঙাং ওইরিঙৈ নীংশিংলক্তুনা অথেংবা অহিংদা মমা উনবা চৎখি। মমা মচা কপমিন্নখি। ফোংবদি য়াখিদে। নোংঙাল্লগা মৌপ্বানা মাগী লৈফমদা লাক্তুনা মাবু থুনা চৎখিনবা হায়জরখি। উমরাও নীংবা কায়না লখনৌ পাংলকখি।

অইবা রুসৱাগী হৈ-শিংনা শেম্বা প্লোটনি। লমচৎ পূন্নমক মথৌ চপ চানা তৌহল্লি। লোইনা মরী শন্বা ঙন্বা ফজবা খূৎশেম অমনি। মসিবু পাব ফংহল্লিবা হন্দোক্লোয়বুসু থাগৎতবা ঙমদে। ট্রান্সলেসন অদুম পাব য়ানা ফজৈ। মৈতৈলোন তারি। পক্লাগী ট্রান্সলেসন হায়বদুমক্তি হায়রুবা য়াদ্রি। মোন্থোক্কদবা, শেমগদবা মতাং অদুম থেংনরি। ৱাহৈসু উর্দু য়াম্না য়াওরি। লাইরিক্কী মমৈদা উর্দুগী ৱাহৈশিংদুগী ৱাহন্থোক পীরি হায়ববু পাবদা খক খক পনবা ওইরি। পূন্নমকসি লৈদুনসু অইবা এম এম অহম্মদ হন্দোক্লোয় অমা ওইবগী ফদা কনবা ঙল্লে। লেপহন্নিংদে, উর্দুগী ফজরবা নোবেল কয়া ঐখোয়গী লেন্দা তিল্লবগী খুদোংচাবদি অহম্মদকুম্বা অইবদগী নত্তনদি ওইথোকপা ৱাগদবা লৈ। মখাগী করি হায়না হংনরক্লগনি।

# পুন্সি হিংনবা তৌজবনী

**নঙগী** নুপানা য়ু থকচববু ঐনরা, লাক্কনু হায়বনি নতুনা ৱাহোমলকই। তানীংদে তুক্কচৈ হায়খিবনি তমদবরা। পুরকউ নিশা থিংবী কনানো, ঙম্লগনা লৈঙাক্লা থিংহল্লো লোইনা লৈকাই নুপী-খরা লাক্লগা তৌররিসি করিনো। নথৌ শুৱো নয়ুম নয়ুমদা নশা নশা হিংনবা, নচা নৱা ৱারকও ইমুংদা, লীচৈ কারল লাকও, মখোঙদা য়োৎহিং থাংঙো, নচা ফৎতবা পোল্লগা, নৱা ফৎতবগা য়ুমলিংমিন্নরগা ঐঙোন্দদি তাইনবা য়ারোই, ঐতরা য়ু য়োল্লিসিবু, তুরেলদা তাইনবা ঙমদ্রগা নাসিখোং তাইনবনদি কান্নরোই, ইনে তোম্বী। নখোয়না তৌদ্রিঙৈদা ঐখোয়না তৌদুনা লাকখ্রবনি। মীয়ামগীদমক ঈরৈপাক্কীদমক খল্লিঙৈ য়ুমগী খলহৌদদুনা উপাই লৈতবদগী শিনফম থিরকপদা সিদা তাবনি। হান্নদি কৈথেল অচৌবদা, কৈথেল মচাদা মরক মরক খুল্লক্তা, হৌজিক্তি থোঙগাল খুদিংগী, লৈরক খুদিংগী কনানা কৈদৌবা ঙম্লগে। ইনে তোম্বী, য়ু য়োল্লগা ঈচা আই এ এস পুথোক্লগা লৈপাকসি শেমহল্লগে, তৌদৌবনা তৌদনা তৌরোইদবা ঐখোয়না কোক চিকপমখৈ তৌবসে থাদোক্লসি। মায়ামসে ভাব খরা তাহল্লু। মচা অপিকপসু পোবা য়াওনরি। মৱা অঙাওবশিং অদুগী মীওৎ মীনৈদা খাঙবা ঙমদদুনা থোক্লকপনি ঐসু খঙ্ঙী। অদুবু কান্নরোই মালেমগী মমাঙদা ইকায়, মীতৈ নুপীশিং শোরেক্তা থোক্তুনা লৈরে। মচা মৱানা ময়ুম ময়ুমদদি শানৈ য়ুনৈদুনা লৈরে। কান্নদে তৌবা য়াবা তৌরম্লবনি। অঙাংশিং ফেসবুক ৱাটচঅপ করিনো অতৈ অতৈ য়াম্না পায়নরে হায়বনি। ইনে তোম্বী, তৌসে থিংসে হায়রদি লৈকায় নুপী খোল্লো য়ুমথোঙগী, ওই থংবা খুবী ককথৎনরগা ৱাশক্লসি, ক্বা চারোই, বিরি থক্লোই মীৱা ঙাঙলোই, ওক্তবী ওইবা য়ারোই, ঐখোয়গী লৈকাই অসিদা য়ু শুংবসু য়ারোই, য়োনবসু য়ারোই, থকপসু য়ারোই পুশিল্লকপসু য়ারোই, নাৎ চৎনবীগী ওইনসু অমত্তা য়ারোই। ইনাৎ ফত্তবা চৎনবীদুদি মাঙহনখিগদবনি, মুৎথৎখিগদবনি। নুপানা থাক্কদবনি, দুবু নুপী ঐখোয় পুল্লসে, মতম লৈরি। ইচা ইৱা কনখৎনরোইসি। খঙঙোই হায়দুনা তৌরিবা, রেলি চৎমিন্নরে বারো তারে, য়ু থিংননবা অহিং নোংশোয়বা তুমদা হিপ্তখৈ, য়ুশুংবী য়ুথকপা ময়াম থোক্তুনা লাউই, য়ু শুংবা থিংসি, য়ুয়োনবা ফাসি, য়ু থকপা হাৎতোকসি কোয়রাও লাউই, রেলি মনুংদা, য়ুম য়ুমদা চঙনখ্রগা য়ু শুংনরিবনি তুমদনা নোংঙানবফাও, রেলি মতুংদা নুপা ময়াম কৈথেলগী শোরোক ময়ায়দা, লৈকাই লৈকাইগী লম্বী লমজাওদা ময়ুম চঙনদনা নোংঙাল্লমদাইফাও য়ু পুথোরক্তুনা থকনৈ নুপী কনানা করি হায়গে, নোং ঙানবদৈদি য়োনফম শুংফম লোইনা ফ্রি থারে, অথকপসু অয়োনবসু হরাওরে।

কান্নরোইদা ইনে তোম্বী, ঐখোয়না তৌরিঙৈদনা লেপ্তুনা য়েংহৌরগা অততাই ওইনা শিঙনরক্কনুদা, কনানা ইনশিন্দুনা ঈরাং শাগৎলিবনো, থৌ লৈতবী ময়াম থৌ থিবা কান্নরোই, চানিংবা মখৈ চাসনু, থক্লিংবা মখৈ থকসনু, শিংনিংবা মখৈ সিসনু, ৱাবা য়ৌদবৈনি ৱারে খঙলকপা মতমদুদা খঙজরক্কনি। ঐদি পুন্সি হিনবা তৌজবনি। ঙাঙনগনবী নুপীনা থনবনিনা অথাপ্পা থবক শুবা চৎপসু তল্লে। ঐনা য়ু য়োন্দ্রগা লৈকায়সিমা য়ু থিংবা ঙম্লনি হায়রদি তোকথোকপিগে। ইশাফাও কৎথোককে, মীয়ামগী মহুৎ শিল্লগা শিবফাও শিবিগে, ঐতা নত্তে, ইচা অপীশক অসিসু য়াওনা শিবিগে।

কান্নরোইদা ইনে তোম্বী, ৱা য়াম্না লৈ। চৎখ্রো, ঐগী ইফমদদি হৌ হৌ ৱা ৱা তৌদুনা নীংঙম্লক্লোই চৎলো। হয়েং অমা অনী লাকও তুমিন্না ঙাঙনসি হয়েং পুং ১০ দা ইচাগী থাখিনবা শেল লৈত্রি। নখোয়গী নতৌসিদা হোটেলগী পুমহাঙ হাঙলে। ঙসি ঐগী মীৎতা তারিবা পিরাংসে মসিগী পাপ নখোয়না পুবা ঙমগদ্রা। ইবেমচাওবী মপি তৈথোক্লগা হোটেল মনুংদা চঙখি। তোম্বী অমসুং মহাক্কী কাঙবু তুমিন তুমিন মমায় লৈনখি। চুম্মী মাসু লুচিংদুনা হোৎনজরম্বনি। মীয়াম্না ওক্তবী, লমকেৎ লমহাইবী, মমা মপানা মৱানা ৱারক্তবী তাবীখিবনি। হোয়দা য়োনগে য়োনজরসনু, হোরেলদি ঐগী নুপানা য়ু থকপা ফংদ্রে হায়দুনা ঙাঙবদি লায়রদনা ফুরদৌনে। ঐসুনে ঐসুনে ৱা ৱা হেক লাউবী মহৈ মহৈ ঙাঙনবদা, মরী মরী চৎনখি। হোটেল চিকপক চিকহৌই।

*-খাংঙেম্বম শ্যামকিশ্বর*

# কৈ মউন

**বাবানা** উর্বাকোন্দাদগী হল্লক্লগা মশাগী চহী ১৪ তা ঙাইরিঙৈদা মহাক শিরধিগী সাই বাবানি হায়না পুত্রপতিদা লাউথোক্লম্মী। অকোয়বদা লৈরিবা খুঙ্গংশিং অমসুং মাইল ৪০ লাপ্পবা লাপখ্রবা আনন্তপুরদসু পাউ অসি খঙলম্মী।

নোংমা জীপ ড্রাইভর অমনা তুরেল খোংনুং লাল্লগা স্বামিবু থিনবা পুত্রপতিগী লম্বীদা চৎলম্মী। মহাক্কী মাষ্টর সব দিভিজনেল ওফিসর ওইবা ইংলিশ নহা অমা চিত্রবতিগী অতোপ্পা নাকন্দা লৈবা উমংদা শা তানবা চৎলম্মী অমসুং আনন্তপুরদা হল্লকপা মতমদা পুত্রপতি খুঙ্গংগী হেক মায়োক্লবদা গাড়ীদু লেপখিরম্মী। ওফিসরদুনসু ড্রাইভরদুনসু লৈজবী থাদুনা গাড়ীদু লেংনবা হোৎনরম্মী অদুবু অরেম্বা তারম্মী। ড্রাইভরদুনা হায়রকই, পুত্রপতিদা অঙাং অমা লৈ। মহাক্কী খূবাক ময়াইদগী বিভুতি পুথোকপা ঙম্মী, মদুনা লায়না পূন্নমক ফহনবা ঙম্মী, জিপসি ফাওবা ফহনবা ঙমগনি। ইংলিশমেনদুনা য়ারম্মী অমসুং ড্রাইভরদু খুঙ্গংদুদা চৎহল্লম্মী।

ড্রাইভরদুনা অরোইবদা বাবাগা উনরম্মী। অদুবু বাবানা হায়বা তাবদা মহাক ঙক্লম্মী মদুদি ঐ ইশামক জিপতুগী মনাক্তা লাক্কনি। মহাক্লা তুরেল খোংনুংগী লৈঙোই মথক্তা লাক্‌দুনা চৎলম্মী, লম্বীদু য়ৌরকপদা মহাক্লা গাড়ীদুদা মুন্না য়েংলম্মী অমসুং কৈগী অশিবা মশাদু উরম্মী। পুং ২গী মমাংদা ওফিসরদুনা কাপখিবনি। স্বামিগী অহিংবা খূদিংমক লুনা নুংশিজবগী মওংদুনা শা হাৎপা অমদি ওৎ-নৈবদু খাঙবা ঙম্লমদে। মহাক্লা হায়, ঐনা জিপসে মফম অসিদা লেপহনবনি মরমদি মসি কৈ মচা অহুমগী মমানি। মতমসিদা মখোয়না হৌনা তেংথাদুনা নঙনা পুরিবা মহাক্তুবু কৌরি। হনখ্রো অদুগা কৈ মচা অহুমদো লৌরুচো অদুগা মখোয়বু ফজনা য়েংশিনবীগদবা জূদা খূদোল ওইনা পীরুচো, লম্লক্কী শা অমুক হন্না কাপকনু মখোয়না নঙগী মাঙনবা করিসু তৌদে। করিগীদমক নঙনা মখোয়বু কাপকদৌরিবনো, করিগী মখোয়বু কোয়শিল্লগা লাং থাক্কদৌরিবনো? মখোয়বু অহেনবা খূৎলায় শীজিন্নদুনা কাপ্পগী মহুৎতা কেমেরানা কাপ্পু। অদুনা মখোয়বু মশা মরেং ককথৎপা অমসুং হাৎপা তৌরোই। ইংলিশমেনদু মঙাল ফংলম্মী অমসুং মহাক্লা কৈদৌঙৈদা অমুক হন্না নোংমৈ পুখিদ্রে। লম্লক্কী শাবু কেমেরানা কাপ্পসিনা হেন্না থৌনা ফবা অমদি শেংবা হেল্লি হায়বসি মহাক্লা খঙলকই। মহাক্লা জূদা মমা লৈত্রবা কৈ মচাশিংদু থমখ্রে। তেক্সিদার্মসতগী কৈ মউনদু পুরক্লবা মতুংদা পুত্রপতিদা পুরক্লম্মী। মতমদুদা প্রসান্তি মন্দির শেম শাবগী থবক চত্তরম্মী। মহাক্লা বাবাগা উনরম্মী অমসুং মহাক্কী মখোঙদা কৈ মউনদু থম্লম্মী। বাবানা মতৌদু উবদা হরাওজরম্মী।

*সত্যম সিভম সুন্দরম পার্ট ফোরদা য়াওবা 'দ তাইগর স্কিন' হায়বদুদগী মণিপুরীদা হন্দোকপা*

*- ডা. নির্মলা রাজকুমারী*